# রুসিয়াগী মিসাইল দিপ্লোইমেন্টনা মীপাইনবা হেনগৎহল্লে



*মোস্কো, দিসেম্বর ১৮ঃ* য়ু এসকী লুচিংবা য়েৎননিঙাই ওইবা এয়ার দিফেন্স সিল্ড অমা দিপ্লোই তৌবগী পাউখুম ওইনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ঙমখৈ নক্লা রুসিয়ানা মসিগী ন্যুক্লিয়ার কেপেবল ইস্কান্দর মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌরে হায়না ফোঙদোরকপদগী লৈবাক অসিগী য়ুগ্লোন্নবশিংনা নুংশা থিবা ফোঙদোক্লবদা ৱাশিংটনসু য়াওশিনখ্রে।

রুসিয়ান মিসাইলগী খরা হেন্না ফগৎপা অদুগা রেঞ্জনা কিলোমিটর ৫০০ ওইবা ইস্কান্দর মিসাইলশিং অসি লৈমায়দা খিনবা ৱাদরশিং অমদি অনৌবা নাতো সিল্ডগী ইন্টরসেপ্টরশিং মাঙহনবা ঙম্বনি।

মোস্কোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মিসাইল দিপ্লোইমেটকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকপদা রুসিয়াগা য়ুগ্লোন্নরিবা পোলেন্দ, এষ্টোনিয়া, লিথুৱানিয়া অমদি লাটভিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকপদা য়ু এস সু য়াওশিনখ্রে।

য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি স্পোক্স ৱুমেন মেরি হার্ফনা হায়বদা লমদম অসিদা তংদু লৈতাদ্রবগী ফিভম হেনগৎহন্নবা খোঙথাং লৌদনবা ঐখোয়না রুসিয়াদা তকশিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস না রুসিয়াগী য়ুগ্লোন্নবা লৈবাকশিংনা নুংশা থিবা ফাওরিবা অদুসু মোস্কোদা পাউহোমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পোলেনগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা রুসিয়াগী প্লান মিসাইল মুভমেন্ট অসি নুংশা থিনিঙাই ওই। মসি নাতোগী হিরম অমনি। অদুগা ঐখোয়নসু নাতো অমদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী থাক্তা তান্নবা-খন্নবা য়াবা খোঙথাংশিং অমদি থবকশিং লৌখৎলক্কনি থাজে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লাটভিয়ানগী দিফেন্স মিনিষ্টর আর্টিস পাব্রিক্সনা হায়বদা বাল্টিক সিটি কয়ামরুদি রুসিয়াগী খোঙথাং অসিনা অকিবা ফাওহল্লে। মসি নুংশা থিনিঙাই ওইবনি হায়বসি অশেংবনি। অদুগা মসি লমদম অসিদা পৱারগী খল হোংদোকপগী খোঙথাংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জর্মিনিগী পাউ-চে অমনসু মমাং চয়োলগী লোইরমদাইদা ফোঙদোকখিবদা রুসিয়ানা পোলেন্দ অমসুং লিথুৱানিয়াগী মরক্তা চপ্তুনা লৈবা কালিনিনগ্রেদ এক্সক্লেবতা স্কান্দর সিষ্টেম ১০ রোম দিপ্লোই তৌগদৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মকোক থোংবা রুসিয়াগী দিফেন্স ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা মতম অমদা য়ু এস এস আরগী শরুক অমা ওইরম্বা বাল্টিক নেসন অহুমগী তাইনবদা লৈবা এক্সক্লেব অমসু য়াওনা রুসিয়াজ ৱেষ্টর্ন মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টতা ইস্কান্দর কয়ামরুম খিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অশেংবমক্তি ইস্কান্দর ওপরেস্নেল-টেক্টিকেল মিসাইল সিষ্টেমশিং অসি ৱেষ্টর্ন মিলিটরি দিষ্ট্রিক্টকী অমদি আর্টিলরি ফোর্সশিংগী ওইনা কম্মিসন তৌখিবনি হায়নসু দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই ইগোর কোনাসেনকোভকী ৱারোল পল্লদুনা রুসিয়ান নিউজ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু মোস্কোনসু ইস্কান্দরদা য়াওবা মিসাইল পোজিস্নিং সেট্টলাইটশিং অসিনা নোংমদি অতোপ্পগী খুৎলাই ওইনা রুসিয়ারোমদা টার্গেট তৌরকপা য়াবগী নুংশা থিবসু ফোঙদোকখি।

রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সার্গৈ লাভরোবনা হায়খিদা টেহরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম হন্থহননবা দিল অমা য়ানখিবা অদুনা নাতো সিল্ড অসি চন্নফম লৈতবা ওইহল্লকপসু য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা অমরোমদা য়ু এস তা বেজ তৌবা ষ্ট্রেটফোর গ্লোবেল ইন্টলিজেন্স কন্সল্টেন্সি অমদি ৱিকিলিক্স ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমদা হায়বগী মতুংইন্না ইস্কান্দর মিসাইলশিং অসি অয়াম্বদি মমাংদা সাইবেরিয়াদা খিনখ্রবনি। অদুগা ইরাং থোককনবা অৱাং থংবা কোকেসস রিজন্দসু খিনখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অসি ইস্কান্দর মিসাইলশিং অসিনা জর্মনি য়ৌবা ঙম্বা নত্রগা অমেরিকাগী বেলিষ্টিক মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম্বু মাঙহনবা ঙম্বা মরমনা রসিয়াগী খোঙথাং অসি থোইদোক্লা পোলিটিকেল ওইবনি হায়নসু ষ্ট্রেটফোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্কান্দর এম হায়নসু খঙনবা মিসাইল অসিগী এদভান্স ভর্সন অসি রসিয়াগী পোষ্ট সোভিয়েট মতুংদা খ্বাইদগী অচৌবা মরুওইবা খুৎলায় অমনি। অদুগা খুৎলায় অসি রসিয়াগী মিলিটরি এক্সপোর্টতা খ্বাইদগী মমল য়াম্বসু ওইরিবনি। রুসিয়াগী ষ্টেটনা মপু ওইবা ইটার-টাস নিউজ এজেন্সিনা হায়খিবদা ইস্কান্দর হায়বা খুৎলায় মখল অসি মালেমগী অকক্লবা মফম খরদা মিলিটরিগী অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা ফিভমশিংদা অকনবা চৈথেং পীবা ঙম্বা খুৎলায়শিংনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মিলিটরি এনালিষ্টশিংনা হায়বদদি রসিয়ানা হান্না খল্লম্বগী চাংদা ইস্কান্দর মশিং শুনা দিপ্লোই তৌবদা শেল থুমগী অচিনবনা মরম ওইদুনা রুয়িয়াগী আর্মদ ফোর্সশিংদা খুদোংচাদবা অমদি থোকহল্লি হায়নসু ফোঙদোক্লে।

# ই য়ু না ইটলিগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলকপা য়ারি



*ইটালিয়ান নেভিনা সিসিলি আইলেন্দ মনাক্তা রেস্ক্যু তৌরক্লবা মাইগ্রেন্টশিংঃ ফাইল ফোটো*

*ব্রুসেলস, দিসেম্বর ১৮ঃ* চংজরকপশিংদা এসাইলম পীবগী মতাংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা শেম্বা পথাপশিং ইল্লমদবা থোক্লবদি ইটলিগী মথক্তা য়ুরোপিয়ান কম্মিসননা লিগেল এক্সন লৌখৎকনি হায়না ঙসি কিহনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

আফ্রিকাদগী লাকপা মাইগ্রেন্টশিং ইটলিগী লম্পেদুসা আইলেন্দদা থমদুনা মখোয়বু ইটলিনা লোয়নবগী মতৌদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী একজিক্যুটিভশিংনা ৱাফম অসি ইটলিগী মথক্তা ফোঙদোকখিবনি।

দিটেন্সন সেন্টর অমদা অইংবা মরক্তা মাইগ্রেন্টশিংবু মফি য়াওদনা লেপহল্লগা ফুরি ফুরাং থুংদনবগী স্প্রেশিং কাপশিনবগী ভিদিও ফুটেজ অমনা মরম ওইদুনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইটলিদা মীয়াম্বু খোইশাওনবা থোকহনখিবনি।

লম্পেদুসা হায়বা সিসিলিগী খা থংবদা লৈবা ইটলিগী ইথৎ অসি ফাওদুনা হিদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন চংনবা লাকখিবা রিফ্যুজি কয়ামরুম ১০০ না খুজিং ওইদুনা হৌখিবা থা খরা অসিদা শিখ্রবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ই য়ুগী মাইগ্রেসন পোলিসিবু মীয়াম্না চিংননা য়েংবা হৌরকখিবনি। অদুগা হিরম অসিগী মতাংদা ব্রুসেলসতা পাঙথোক্কদবা শগোলশেল অমদি ইরাইগী মীফমশিংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন লুচিংবশিংনা মাইগ্রেসনগী ৱাফম অসি কুপ্না খন্নগদৌরি। চৈরক অসিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা মাইগ্রেন্টশিংগী ইচাওসু কন্না হেনগৎলক্লি।

য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী হোম এফিয়ার্সকী মকোক সেসিলিয়া মামষ্ট্রোমনা হায়খিবদা ই য়ুগী একজিক্যুটিভশিংনা দিটেন্সন সেন্টরশিংদা ইটলিয়ানশিংনা চত্থরিবা থৌওং অসি কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লম্পেদুসাগী দিটেন্সন সেন্টর অদুদগী লৌরকখিবা ফোটোশিং ঐখোয়না উমদা পুক্লিং তুজুংবা ফাওই অমসুং য়ানিঙাই ওইদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী থৌদাং অমদি ষ্টেন্দর্দ মপুং ফানা ইকাই খুম্নহনবা ঙম্নবা ঐখোয়না আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপদা পংথবা তৌরোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# ইরাক্তা স্যুসাইদ বোম্বরনা মীওই ৯ হাৎখ্রে

*বাকুবা, দিসেম্বর ১৮ঃ* ইরাক্তা কন্না থোক্লিবা ইরাং মরক্তা ইরাক্কী কোনুংগী অৱাং নোংপোক থংবদা সিটে লাইনিংলোইশিংগী মরক্তা স্যুসাইদ বোম্বর অমনা মশাদা ফাবা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট অমগা কোন্ননা পোকখাইমিন্নদুনা এটেক চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখি।

বোম্বর অদুনা খালেস এরিয়াদা চত্থখিবা এটেক অদুদা অহানবদা মীওই ৫ শিবগা লোয়ননা ১০ না অশোক অপনা নংখি হায়না পুলিস কার্নেল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়বগী মতুংইন্না শিরিবশিং অদুগী মরক্তা লাইনিংলোইশিং অদুবু ঙাক শেনবগী মথৌ তৌবা পুলিসমেন অমসু য়াওখ্রে। এটেক অদু হেক থোকপা মীকুপতা মহাক্লা বোম্বর অদুবু কোনশিনখি। থৌদোক অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা সিটে পিলগ্রিমশিংগী মথক্তা চত্থরকপা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অকোনবনি। বাগদাদতসু এটেক অনি চত্থদুনা ঙরাং পিলগ্রিম ৮ হাৎখিবনি। অদুগা মখোয়দা টার্গেট তৌবা কার বোম অনি পোকখাইরকপদসু মমাংগী নুমিৎতা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিখ্রবনি। মীওই লিশিং চা কয়ানা প্রোফেট মুহমদকী মশুনুপা সিটেশিংনা ইমাম হুসেইন হায়না খঙনবা অসি শিখিবগী চহিগী ওইবা কুমওন মতুং নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা লাইনিংলোইশিং অসি খোঙনা কারবালা তন্না লাইশোন-তিনশোন তৌনবা চৎপনি।

অর্বাইন হায়না খঙনবা ৪০ শুবা নুমিৎ অসি কুমসি চহিগী ওইনা দিসেম্বর ২৩ দনি। অলকাইদাগা শম্নবা মিলিটেন্টশিংসু য়াওনা সুনি মিলিটেন্টশিংনশিংনা ইরাক্কী মশিং য়াম্বা কাংলুপ ওইরিবা সিটেশিংগী মথক্তা য়াম্না তোয়না অসিগুম্বা এটেকশিং কন্না চত্থরি।

ঙসিগী অতোপ্পা থৌদোক অমদনা মোসুল হায়বা অৱাং থংবা ইরাক্কী সিটি অসিগী লম্বী মতাইদা ফুম্লম্বা বোম অমা পোকখাইরকপদা মী অনি শিরগা অনি শোকখি। অদুগা নোংমৈ পায়বা মীশিংনসু লাম্মী অনি কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা চেক পোইন্ট অমদা মী অনিসু শোকহনখি হায়নসু পুলিসকী লিখুনশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

# মীওইবগী পাঙ্গলনা পাইবা হেল্লিকোপ্টরনা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০ ওইবা শেলগী মনা ফংখ্রে

*ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১৮ঃ* মীওইবগী পাঙ্গল শীজিন্নরগা মিটর ৩ লোম ৱাংনা অদুগা মালংদা সেকেন্দ ৬০ রোম পাইহনবা ঙম্বা হেল্লিকোপ্টর অমা ইহান হানবা ওইনা কানাদাগী টিম অমনা দিভলপ তৌদুনা পুথোকখ্রে।

টোদ রৈচর অমদি কেমেরোন রোবার্টসননা লুচিংবা টিম অমনা টোরোন্টোগী মনাক্তা লৈবা ইন্দোর এঠলেটিক এরেনা অমদা সেকেন্দ ৬৪ পাইবা ঙম্বা মীওইবগী পাঙ্গলনা চলাইবা হেল্লিকোপ্টর অদু পুথোকখিবনি।

হৌখিবা জুন থাদসু টিম অসিনা হেল্লিকোপ্টর অসি মতেক খরা পায়হনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইং ১৯৮০ দগী ইহান হান্না পীবা হৌরকখিবা সিকোর্সকী প্রাইজগী শেনফম দোল্লর ২৫০,০০০ অসিগী মপু ওইখিবনি হায়না সি এন এন না ফোঙদোকখ্রে।

লৈখাদগী রোবার্টসননা হেল্লিকোপ্টর অদুগী প্রোগ্রেস ত্রেক তৌবগা লোয়ননা রৈচরনা এয়ারক্রাফট অদু বাই সাইকলগা মানবা মওং অমদা খুনেৎ ওক্তুনা অচৌবা রোটর ৪ উংহনখি। টিম অসিগী এচিভমেন্ট অসি মখোয়গী ওইনা অনিশুবা পাইবগী শিংথানিঙাই ওইবা এচিভমেন্ট অমনি হায়নসু পাউ অদুদা ফোঙদোকখি।

চহি অহুম্লোমগী মমাংদসু মীওইবগী পাঙ্গলনা চলাইবা উচেক্কুমনা মশা খপ্পা এয়ার ক্রাফট অমা মখোয় অনিনা পুথোকখি। রোবার্টসননা এচিভমেন্ট অসিগীদমক থোইদোক্লা অরুবা করিগুম্বা অমত্তা তৌনিঙাই লৈখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

ইচম চম্না ঐখোয়না মীয়ামদা খঙহন্নিংবসি অতৈ নত্তে, ওইথোক্তবা হায়বসি করিসু নত্তবনি হায়বসিনি। পনবা য়াবদি হ্যুমেন-পৱার্দ হেল্লিকোপ্টর (ঐচ পি ঐচ) হায়বা হেল্লিকোপ্টর মদুদা তোংবা মীওই অমা নত্রগা অনিগী মপাঙ্গলনা চলাইবনি। অতোপ্পা মীওইবনা চলাইবা এয়ার ক্রাফটশিংদা তৌবগুম্না পাইনবগী পৱারদি অয়াম্বা মতমদা খুনেৎ ওৎপনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# থাই ৱাকৎলোইশিংনা পি এম তাম্থোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা রেল্লি চৎখগদৌরি



*বেঙ্কোক, দিসেম্বর ১৮ঃ* থাইলেন্দদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিল্লিবশিংনা হায়খিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু মহাক্কী ওফিসতগী নমদুনা তাম্থোক্ত্রিবা ফাওবা মখোয়গী খোঙজং হেন্না কনখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা লাউথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন মাঙওইননা থাইলেনদা ইলেক্টোরেল রিফোর্মশিংসু মখোয়না নমদুনা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

থাইলেন্দগী কোনুংদা হৌজিক ৱাকৎ ঈহৌ চংশিন্দুনা লম্বী লমজাওদা কেম্প তৌরিবা ৱাকৎলোইশিংগী মশিং হৌখিবা চয়োল অমরোমগী মনুংদা লিশিং ২ সু হেনগৎখ্রে। অদুবু মখোয়গী লুচিংবা হান্নগী দিপ্যুটি প্রেমিয়ার সুথেপ থাউংসুবাননা শগোলশেল অমসুং ইরাই নুমিৎতা সেন্ট্রেল বেঙ্কোকতা ৱাকৎ খোঙচৎ চংশিনগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

মদুগী মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা অচৌবা রেল্লি অমসু পাঙথোক্কনি। অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদদি য়িংলুক্প্পু ওফিসতগী তাম্থোক্লগনি। মরমদি কেয়ার টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক্লা মফম থাদোক্লোই হায়না ইশেং শেংনা ফোঙদোকখিবদুনি হায়নসু সুথেপনা ঙরাং লৈবাকপোকপগী অহিংদা ফোঙদোকখ্রবনি।

য়িংলুককী ওফিস অকোইবদা হৌখিবা দিসেম্বর ৯ দা সুথেপনা ৱাকৎলোই ১৬০,০০০ রোম খোমগৎতুনা কোইশিনহনখিবনি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা লাউথোকখিবা মীখল অদু কাইহন্দনবা মহাক হৌজিক কেয়ার টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবনি।

অমরোমদা ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপনসু থাইলেন্দগী মপাঙ্গল কল্লবা মিলিটরিবু মীচং খোম্নবা হোৎনখিবনি। অদুবু মায়দি পায়খিদ্রে। সুথেপনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা ঐখোয়না য়িংলুপকী মীখল য়ানিংবশিংগী মশিংদগী ঐখোয়গী মশিংনা হেন্দ্রিফাওবা খোঙচৎশিং চৎকনি। মিলিটরি অমদি সিভিল সার্ভেন্টশিংনা ঐখোয়গী মীচংদা হেক লাক্ত্রিবফাওবা ঐখোয়না খোঙচৎশিং অসি চৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা চৎলিবা থা অসিদা ইন্সরেক্সনগী মরালদা সুথেপ্পু ফানবা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমসু কোর্টনা ইসু তৌখ্রবনি।

# নুংঙাইনা তুম্নবা অচম্বা পথাপশিং

*নিউয়োর্ক, দিসেম্বর ১৮ঃ তুমখুন হুন্না নুংঙাইনা তুম্বা ফংগে হায়রবদি পথাপ পরিং অমা শেম্বা অদুগা ঈশ্বরদা থাজবা থমদুনা মদুবু ইন্নবা হোৎনবা অসিনা খ্বাইদগী ফৈ হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকই।*

*হকচাং ফনা লৈদুনা নুংঙাইনা তুম্বা ফংনবা পথাপ খরদি মখাগী অসিনি। চয়োল অমদা নুমিৎ ৭ নিগী সেদ্যুল অমা শেম্মু। অহিং খুদিংগী পুংফম অমত্তদা ফমুংদা চংউ অদুগা ছুটি নুমিৎশিংসু য়াওনা নুমিৎ খুদিংগী পুংফম অমত্তদা হৌগৎলু। তুমগদবা মতম য়ামদ্রবদা পুং ৮ ওইহন্নবা শেম্বগা লোয়ননা চয়োল অমা চুপ্না পথাপ অসি ইল্লু। মরক্তা চোকথবা ফাওবা অমসুং তুম্নবগীদমক ঙন্না ফমুং চংবা তারবদি মদুগীদমক মিনিট ১৫ দগী ৩০ ফাওবা হেন্না মতম হাপ্পু। অয়ুক্তা এলার্ম য়াওদনা য়াহৌবা অদুগা নুমিৎ অদুগী অয়াম্বা শরুক্তা নশাদা নুংঙাইবা ফাওরবদি মদু অফবা পথাপ অমা ওইরে।*

*নুংথিল পুং ২ দগী কেফেন য়াওবা মহি অমত্তা থক্কনু। মীয়াম্বনা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থেংলপনা চোকথবা ফাওই। অদুগা কেফেন য়াওবা পোৎলম অমা পাল্লকই। মদুনা মী অমবু মশাদি খিংবা হেনগৎহনবা য়াই অদুবু থবক লোইরবা ফাওবা মিং শিংদুনা অদুমক লৈহল্লি।*

*মী অয়াম্বনা তুমদ্রিঙৈ মমাংদা সোসিয়েল নেটৱার্কিং সাইটশিং চেক তৌবা হায়বসিদা লাইচুই অদুবু মদুদগী হকচাংদা য়ৈরকপা মঙাল অদুদি প্রোব্লেম অমনি। মরম অসিনা তুমদ্রিঙৈ মমাং য়ামদ্রবদা পুং ১ গী মমাংদা ইলেক্ট্রোনিক্কী ওইবা খুৎশু খুৎলায় অমত্তা শোক্কনু। নত্রবদি তুমথবা য়ানবা নহাক্কী হকচাংনা স্লিপ হোর্মোন য়াম্না হেন্না দরকার ওইগনি।*

# সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎলায়শিং মাঙহনবদা রুসিয়ানা মতেং লাম্থোকখ্রে

*মোস্কো, দিসেম্বর ১৮ঃ* সিরিয়াগী কেমিকেল খুৎশু খুৎলায়শিং মাঙহনবগী থৌরাং অমা চত্থবদা রুসিয়ানা অশোই অঙাম থোক্তনবা মতেং পাংগে হায়না লাম্থোকখিবা রুসিয়ান ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম অমা ইটার-টাস নিউজ এজেন্সিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইদগী মী শিহনবা ঙম্বা সারিন গ্যাস শুংবদা চংবা হু চেনবা পোৎলম ময়াম সিরিয়ানা মাঙহনগদৌরি। অসিদা নত্তনা ভি এক্স গ্যাস অমদি অতৈ মীবু হাৎপা ঙম্বা গ্যাসশিং মালেমগী ওইবা য়ানরোল অমগী মখাদা শীন্নরক্কদৌরি। য়ানরোল অসি হৌখিবা ওগষ্ট থাদা দমাস্কসকী অকোইবদা মীওই কয়ামরুমগী মথক্তা এটেক চত্থদুনা হাৎখিবা মতুংদা শেমখিবনি।

রুসিয়াগী ষ্টেটনা চলাইবা ইটার টাসনা রসিয়াগী ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱিপন্সকী রিপ্রজেন্টেটিভতা দিপ্যুটি ওইনা থৌ পুরিবা ভেসিলি টিটুস্কিনগী ৱারোলশিং পল্লদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মসিদা হায়বগী মতুংইন্না কেমিকেল ৱিপনশিং অদু মাঙহন্নবা লাটাকিয়া অমদি সিরিয়াগী ওইবা ঈশিংদা ওপরেসন অমা চত্থগদৌরিবা অদুদা রুসিয়ানা অশোই অঙাম থোক্তনবা য়েংশিনগে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

গাড়ীশিং পুথোক্লবগী প্লান অমসু লৈরে হায়বগা লোয়ননা সিরিয়াগী মফম কয়ামরুমদগী লাতাকিয়াদা অসিগুম্বা কেমিকেল ৱিপনশিং পুরকপদা মতেং পাংগে হায়না রুসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর সার্গৈ লাভারোবনা হায়বদা রুসিয়ান নেভিনসু কেমিকেল ৱিপনশিং অদু লৌথোক্লুগা পুরকপদা শীজিন্নবা এস্কোর্ট জহাজশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

হায়রিবা কেমিকেল ৱিপনশিং অসি মসিগীদমক অখন্ননা শারবা য়ু এসকী জহাজশিংগী মথক্তা মাঙহনগদৌরিবনি। মরমদি খুৎলায়শিং অসি অতোপ্পা লৈবাক অমদা পুশিনবা হায়বসি খুদোংথিনিঙাইনি। অদুবু থবক অসি পাঙথোকপা মতমদা জহাজশিং অদু কদাইদা থাঙলগা থমগদগে হায়বগী মতাংদদি য়ানবা ৱাফম অমা ফাওবা শেম শাদ্রিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# সাউঠ সুদানদা রাইভেল মিলিটরি গ্রুপশিংগী খুৎ থোক্লবদা মীওই ৫০০ হেন্না শিখ্রেঃ য়ু এন

*জুবা, দিসেম্বর ১৮ঃ* সাউঠ সুদানদা উন্নবা য়াদবা মিলিটরি গ্রুপ অনি কন্না খুৎ থোক্লবদা মীওই ৫০০ হেন্না শিরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পিছকিপ্পিং চিপ হার্বি লাটসোজনা ফোঙদোকখ্রে।



থৌদোকশিং অসিদা মীওই ৮০০ হেন্নসু শোক্লে হায়না য়ু এন দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অসি মীচম মীয়ামদদি কয়া শোক্তে অদুগা হৌজিক ফাওবদা কন্না ওনশিন্নরিবসি লাম্মী কাংলুপশিংগী মরক্তনি হায়নসু য়ু এননা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিংদগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক্ট মাচারনা মিলিটরি কু চত্থরক্লবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ মখোল অমদি বোমগী মখোল লেপ্তুনা তারি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাউঠ সুদানগী প্রসিদেন্ট সালভাকারনা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক মাচারবু য়াবা লাম্মীশিংনা মহাক্কী গভর্নমেন্ট ইন্থুনবা অদুগা লাম্মীগী বেরেকশিংদা লৈবা খুৎলায় পৈফমশিং নমদুনা থুগাইনবা হোৎনরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু মখোয় প্রসিদেন্টপু য়াবা লাম্মীশিংনা মায়থিবা পীবদগী উপাই লৈতদুনা খাংলি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতুংদগী কারনা জুবাদা কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে। চৈরকসিদা প্রসিদেন্ট অসিগী মরাল শীবা ৱাফমগী পাউখুম ওইনা রিয়েক্ট মাচারনা হায়বদা খুৎ থোক্লরিবা থৌদোকশিং অসি মহাক্কা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে। অদুগা মহাক্লা গভর্নমেন্ট অসিবু ইন্থুনবা হোৎনবসু লৈখিদে হায়নসু ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সি অমদা ৱা ঙাংলদুনা মচারনা হায়খিবদা সলভা কারনা মশাগী লৈঙাক হৈতববু লোৎশিন্নবা হোৎনবদা ত্রাইবেলশিং অমসুং অতৈ কাংলুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লনবা শিনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।




**SANALEIBAK SUDOKU**

SANALEIBAK SUDOKU-102

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | | | | 8 |
| | 1 | | | | 8 | | | 3 |
| 3 | | | | | | | 7 | |
| | 6 | | | | | 9 | | |
| | | 5 | 4 | 9 | | | 6 | |
| | | | 8 | | | | | |
| | 4 | | | | | 2 | | |
| | | 6 | | 7 | | | | 4 |
| | | 9 | | | 6 | | 8 | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 9 | 8 | 7 | 4 | 3 | 5 | 6 | 1 |
| 1 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 5 | 4 | 3 | 6 | 9 | 1 | 2 | 8 | 7 |
| 3 | 2 | 9 | 1 | 7 | 8 | 4 | 5 | 6 |
| 8 | 5 | 4 | 3 | 2 | 6 | 7 | 1 | 9 |
| 7 | 1 | 6 | 9 | 5 | 4 | 3 | 2 | 8 |
| 9 | 7 | 5 | 8 | 6 | 2 | 1 | 3 | 4 |
| 6 | 3 | 2 | 4 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 |
| 4 | 8 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 7 | 2 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*